# RNU, IMPHAL
# MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM
# (Date: 18-01-2025)

**কাইশা (এল)ঃ** তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. অমদি হান্নগী মন্ত্রি-এন. কাইশা মশাগী অনাবা অমদগী ঙসি লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৫৯ শুখ্রে। মহাক, কুইনা নারল্লবা মতুং লমফেলদা লৈবা মহাক্কী ক্বাটরদা ঙসি নুংথিল পুং অমা মখায়রোম তাবদা লৈখিদবনি।

এন. কাইশা, নেসনেল পিপলস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্বনি। মহাক তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রদগী ইং ২০১৭ তা অহানবা ওইনা কারক্তুনা মতম অদুদা ত্রাইবেল এন্দ হিলস এরিয়াজ অমসুং ফিজরিজকী মন্ত্রি ওইরম্মী।

এন. কাইশানা লৈখিদবদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা অৱাবা ফোংদোরক্লি। মুখ্য মন্ত্রিগী সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেননা হায়-কাইশানা হিংলিঙৈ মতমদা রাজ্য অসিগী অমদি মীয়ামগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা তৌরম্বা থবক থৌরমশিং অদু মতম চুপ্পগী ওইনা নিংশিংদুনা লৈরগনি।

পৱার মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎনা হায়-তাদুবি বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ-এন. কাইশা অসি এন.পি.পিগী ইকায় খুমনিংঙাই ওইরবা লুচিংবা অমনি।

এন. কাইশানা লৈখিদবদা হান্নগী লোক সভাগী এম.পি. ডা: রাজকুমার রঞ্জন, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী প্রসিদেন্ট-এ. সরদা, এম.এল.এশিং-জংহেমলুং পানমৈ, সৈখ নুরুল হসননচিংবা লুচিংবা কয়ানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**পোনি (এল)ঃ** ভেটিরিনারি অমদি এনিয়্যেমেল হসবেন্দরি সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর-আর.কে. খোগেন্দ্রজিৎনা হায়রি-মনিপুর সরকারনা বিভাগ অসিদা

অমদি তোঙান তোঙানবা ষ্টেটহোল্ডরশিংগা খুৎশমদুনা মনিপুর পোনি রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অয়াবা পীরে। মসিদা তোঙান তোঙানবা পোলো ক্লবশিং অমদি এসোসিয়েসনদা লৈরিবা থা তরুক হেল্লবা পোনিশিংগী রেজিষ্ট্রেসনগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি।

শঞ্জেনথোংদা লৈবা বিভাগ অসিগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী খোগেন্দ্রজিৎনা হায়-সরকারগী মীৎয়েং মখাদা মনিপুরগী শগোলশিং কন্নবা অমদি য়োকখৎনবগীদমক পায়খৎলিবা থবকশিংগী শরুক অমা ওইনা মনিপুরগী শগোলবু রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অয়াবা অসি বিভাগ অসিদা পীরকপনি।

রেজিষ্ট্রেসন তৌগদৌরিবা অসিগী মাংওইননা বিভাগ অসিগী মীৎয়েং মখাদা শগোল লোইরিবা মপুশিংদা শেলগী তেংবাং পীনবা ভেরিফিকেসনগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-জিরিবামনা শিনদুনা মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-জিলা অসিদা মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা জিলা থাক্কী ওফিসার ৩৩ না স্তোলশিং হাংদুনা মীয়ামগী তেংবাং ফংহন্নবা হোৎনখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা হায়-সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিংনা খুদক্কী ওইনা পীবা তেংবাং খুদিংমক পীনবা হোৎনরি। মখা তানসু পীখিগনি। থৌরম অসি মথংদগী অনিশুবা থাংজ খুদিংগী পাঙথোক্কনি।

জিরিবাম জিলাদা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসি মায় পাকা পাঙথোকখিবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌরম অসি সরকার অমসুং মীয়াম অনিগী মরক্তা হকথেংননা উন্নবা অমদি মীয়ামগী ৱাকৎ তাদুনা মদু কোকহন্নবা

য়ামা মরুওইবা পাম্বে অমনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিংঙাইনি। ঐখোয়না মখা তানা খুৎশমদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা অমদি মনিপুরবু মাঙলোমদা চংশিন্নবা হোৎনমীন্নসি।

অমরোমদা, সেনাপতি জিলাদা জিলা অদুগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা ঙরাং মীয়ামগী নুমিৎ মায় পাকা পাঙথোকখিবগীদমকসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**অকাশবানি (এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালনা শিনদুনা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মনিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ মেনেজমেন্ট ষ্টদিজ (মিমস) কী কনফরেন্স হোলদা আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স ফোর য়ুথস এন্দ ফামরস হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা পাঙথোকখ্রে।

সেমিনার অসি ভারত সরকারগী বাইন্দ স্কিমগী মখাদা পাঙথোকপনি। সেমিনারগী টেকিকেল সেসনদা তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংদগী লাকপা ওজাশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিং, নৈলিট অমদি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংনা সেমিনার অসিদা শরুক য়াখি।

**এময়ু (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজ ইম্ফাল কেম্পস অমদি লাইওন্স ক্লব ওফ-কাঞ্চিপুর গ্রেটর অনিনা খুৎশমদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি লাইওন্স সার্ভিস সেন্টর কাঞ্চিপুরদা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা মিৎ অমসুং গাইনিগী অনাবা য়াওনা দাইবেটিস খঙদোকপগী লায়েংসু পাঙথোকখি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা স্বামিত্বা স্কিমগী বেনিফিসরিশিংদা প্রোপরতি কার্দ লাখ ৬৫ হেন্না য়েন্থোকখ্রে।

প্রোপরতি কার্দশিং অদু রাজ্য তরা অমদি য়ুনিয়ন তেরিতোরি অনিগী খুঙ্গং লিশিং ৫০ হেনবদা য়েন্থোকখি।

অকাশবানিগী পাউমীনা হায়- স্কিম অসিনা খুঙ্গংগী অবাদি এরিয়াদা রেকোর্দ ওফ রাইটসকা লোয়ননা লমগী মপু ওইহন্দুনা ভারতকী খুঙ্গং লমদা শেল থুমগী অচৌবা অওনবা অমা পুরকবা পান্দম থল্লি। স্বামিত্বা স্কিম অসি খুঙ্গংগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগাদমক ইং কুমজা ২০2০ দা হৌদোকখিবনি। মসিনা মশাগী লন থুমবু শেলদা ওন্থোকপা, বেঙ্ক লোনগী খুদোংচাবা ফংহনবা, লন থুমগী য়েৎনবা হন্থহনবা অমসুং খুঙ্গংগী লমদা লন থুমগী খাজনা হেন্না নিংথিনা খোমগৎপসু ঙমহনগনি।

হৌজিক ফাওবদা খুঙ্গং লাখ ৩ লিশিং ১৭ হেনবগী দ্রোন সর্ভে লোইখ্রে। মসি থমখিবা পান্দমগী চাদা ৯২ নি। খুঙ্গং লাখ ১ লিশিং ৫০ হেনবদা প্রোপরতি কার্দ কোতি ২ লাখ ২৫ রোম পীনবা শেম শারে। স্কিম অসি পুদুচেরি, অন্দমান অমসুং নিকোবর, ত্রিপুরা, গোৱা, উত্তরাখন্দ অমসুং হরিয়ানাদদি মপুং ফানা য়ৌবা ঙমলে।

**বজেট ঃ** সংসদকী বজেৎ মীফম থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগনি। রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংদুনা মীফম অদু হৌদোক্কনি।

কেন্দ্রগী বজেট মথং থাগী ১ দা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না পুথোক্কনি। মীফম অসিগী অহানবা শরুক থা অসিগী ৩১ দগী মথং থাগী ১৩ ফাওবা চত্থগনি। অনিসুবা শরুকা মার্চকী ১০ দগী এপ্রিলগী ৪ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**পাংগৈ (এল)ঃ** ইন্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না পাংগৈ য়াংদোংদা লৈবা মিটর লিশিং ১,৫০০ রোম শাংনা লাইরম পরিং, মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগী

তেংবাংগা লোয়ননা মফম অদুগী মীয়াম থোরক্তুনা শেংদোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা মীৎয়েং চংদুনা মহাক্কী তেংবাং মখাদা লাইরম পরিং অসিবু শেংদোকপীবগীদমক মফম অদুগী মীয়ামগী মায়কৈদগী মুখ্য মন্ত্রিবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

**কাইরং(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কাইরং তেরা মখোংদগী লৈখিদ্রবা এম.দি. সহা নৱাজগী জে.এ.সি. অমদি মীতৈ পাঙল সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিংগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা হায়-লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা সরকারগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা তেংবাংশিং পীগনি। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকনি। লৈখিদ্রবগী অত্মানা ইংনা চিকা লৈরুনবগীদমক থৌনিবগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি।

**ডে (এল)ঃ** রোড সাইট ভেন্দরস ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী ২৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা রুপমহল ঠিয়েটরদা পাঙথোকখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট-ক্ষেত্রি তামানা রাজ্য অসিদা লৈরিবা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিগী ফংফম থোকপা হকশিং চপ চানা সরকার অমদি মরী লৈনবা বিভাগশিংগী মায়কৈদগী ফংহন্নবা মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিনখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাদা লৈবা কম্যুনিতি হেলথ সেন্টর-ককচিংবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী থাক্তা ওনখৎনবা সরকারনা থবক পায়খৎলকপবু ওল খা

কংলৈ ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সরকার মমাং চহিদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা ঙরাং কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্টর ককচিংবু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী থাক্তা শেমগৎনবা নোটিশ থোকখিবনি।

**কেম্প (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী চরামরাম ভিলেজতা অসাম রাইফলস তমেংলোং বটালিয়ননা শিনদুনা নোংমগী ওইবা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প অদুদা চরামরাম ভিলেজগী থংনবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী মীওই ১৫০ রোম লায়েংখি।

**স্কোলারসিপ (এল)ঃ** সেদ্যুল ত্রাইব মহৈরোইশিংগী ২০২৪-২৫ গী প্রি অমসুং পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারসিপকী দরখাষ্ট ওনলাইনদা পীশিনবগী মতম মখা তানা থা অসিগী ২১ ফাওবা শাংদোক্লে। এস.টি মহৈরোইশিংনা ওনলাইন মোদতা মখোয়গী দরখাষ্ট অদু নেসনেল স্কোলারসিপ পোর্তেল (এন.এস.পি) টু জিরোদা সম্মিৎ তৌগদবনি হায়না দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রাইবেল এফ্যারস এন্দ হিলসকী চেরোল অমনা হায়রি।

**মনকি বাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১১৮ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিগী ৱারোল পীবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দো

দাক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**দিল্লি ঃ** সিট ৭০ লৈবা দিল্লি বিধান সভা মীখলগী মীরেপচেশিং ঙসি স্ক্রুতিনি পাঙথোকখ্রে।

বিধান সভা মীখল অসিগী ঙরাং মীরেপচে পীশিনবা লোইবা নুমিৎ ফাওবদা মীরেপ লিশিং ১ হেনবনা মীরেপচে পীশিল্লকখি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি। মথং থাগী মঙাদা ভোট থাদনগনি অমসুং ফেব্রুৱারি ৮ দা ভোট মশিং থিগনি।

**বেঙ্গোলঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা ডাক্তর তল্লিবী মহৈরোই অমগী মাশিগা মরী লৈননা থৌদোক অদুদা চেন্নবা সঞ্জয় রোই ইজৎ মাঙহনবা অমসুং মী হাৎপগী মরাল লৈরে হায়না কোলকাতাগী কোর্ট অমনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

সিলদা এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স কোর্টনা সঞ্জয় রোইবু ভারত্তিয়া নিয়াই সনহিতাগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনগী মখাদা মরাল লৈরে হায়খিবনি। মঙোন্দা করম্বা মখলগী দন্দি পীগদগে হায়বদু কোর্টনা লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা লাউথোক্কনি।

পনবা য়াই, মমাং চহিগী আগষ্ট ৯ দা কোলকাতাগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিতালগী সেমিনার হোলদা চহি ৩১ শুরবী ডাক্তর তল্লিবী নুপী অদু শিরগা লৈরম্বনি।হায় কোর্টকী হুকুম অমগী মতুং ইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা সি.বি.আইনা থিজিনদুনা লাকপনি।

**--হৌজিক শান্নবগী পাউ, খাইদেম গীতচন্দ্রদগী--**

**সোক্কর(এল)ঃ** কোংবা রোডতা লৈবা এঠলেটিক্স স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা মাইবম মুনাল মেমোরিএল সোক্কর টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-পান্থোইবী এফ.সিনা অকাম্পাৎ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা অদুগা হিজম ইরাবতনা মাইবম ব্রদরসপু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল(এল)ঃ** হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সনা এফ.সি. থৌবালনা বুংচা এফ.সি. লংথাবালবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ঐচ.এফ.সি. হিয়াংথাংনা হাউরৈবী অপুনবা এফ.সি. (বি) বু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। হয়েং শান্নগদবা অহানবা মেটচতা ৱার্ল্ড প্রো-লংথবাল অমদি আই.এস.আই.সি. লমলাই লম্বা থেংনগনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ঙান্থোই এফ.সি. করাম অমদি ৱাই.এস.সি. নাওরেম চাপ্রৌনা লম্বা থেংনগনি।

**ফুটবোল(এল)ঃ** শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা চথরকাপ অহানবা ওইনাম চারলি মেমোরিএল অন্দর ফিফতিন সোক্কর টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন মঙাল এফ.এ. খাবমনা ওইরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মঙাল এফ.এ. খাবমনা বি.এফ.সি. টিম (বি) কোংববু ত্রাই বেক্তা পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। টিম ৩৩ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ভেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনা নোংপোক মহৈকোলনা ফংখি।

**ফূটবোল(এল)ঃ** এম.পি.এ. থৌনাওজমনা শিনদুনা থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাংখেম এফ.সিনা এ.আই.পি.এ. ইরেংবন্দবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা এম.পি.এ.বিনা এলাংখোংপোকপীবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

**ক্রিকেট(এল)ঃ** মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লংথাবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দননা এল. সি.সি.সি. লিলোং চজিংবু রন-১১ দা থোইখি।